**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-03-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা হায়রি-রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা বেঙ্কিং সেক্তরগী অচৌবা থৌদাং লৈ। সরকারনসু বেঙ্কিং সেক্তর অমসুং দিবলপমেন্ট ইন্সটিট্যুসনশিংগা খুৎশমনা চৎমিন্নদুনা ক্রেদিট এবজোর্বসন কেপাসিতি অমদি প্রোজেক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন ফগৎহন্নবা হোৎনগনি।

ক্রেদিট লেদ দিবলপমেন্ট ইন মনিপুর হায়বা হীরমদা নবার্দ মনিপুর রিজনেল ওফিসনা শিনদুনা ষ্টেট ক্রেটিদ সেমিনার-২০২৬-২৭ ঙসি নোর্থ এ.ও.সিদা হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা ষ্টেট ফোক্স পেপর-২০২৬-২৭ হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-নবার্দনা লেপ্পা লৈতনা রাজ্য অসিদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই) অমদি রাজ্য অসিদা চল্লাইরিবা বেঙ্কশিংনা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাং কয়াসু লৈরি। মহাকা হায়-মীয়াম পুন্না হোৎনমীন্নদুনা ৱাৎত-পাদবা অমদি মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইহল্লসি।

থৌরম অদুদা, চুরাচান্দপুরগী ত্রাইবস প্রোজেক্ট অমসু ওন লাইনগী খুত্থাংদা হৌদোকখি অমদি ঙসি হৌদোকখিবা ষ্টেট ফোক্স পেপর-২০২৬-২৭ কী মতাংদা নবার্দকী এ.দি.এম. দিনেশ্বর থৌদামনা প্রজেন্টেসন পীখি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়ল, নবার্দকী জি.এম-ও.আই.সি. পার্থমন্দল অমদি আর.বি.আই. ইম্ফালগী সি.জি.এম-ও.আই.সি-এন. শ্রীর্ধার শরুক য়াগনি।

**গভর্নর (এল)ঃ** আই.জি.এ.আর (সাউথ) না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী

লমলোংগৈ মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ভেল্লি ভিউদা মেজর বোব খথিং নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়-মেজর বোব খথিং অসি লৈবাক অসিগীদমক অচৌবা থৌদাং য়াখিবা ভারত লান্মীগী অচংবা মপারিনি। মহাকা তৌরম্বা থবকশিং অসি শিংথারদুনা রাজ্যপালনা হায়-মহাকা ভারতকী ঙাকশেলগী লমদতা নত্তনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদসু অচৌবা শরুক য়ারমখি।

তুংদা, রাজ্যপালনা মেজর বোব খথিংগী পুন্সি ৱারীদা যুম্ফম ওইবা লাইরিক অমসু ফোংখি। লাইরিক অসি মেজর অসিগী মচানুপা-জোন এস.আর. খথিংনা ইবনি।

**একাদমি (এল)ঃ** নুমিৎ হুমি চথুগদবা ফোল্ক অমসুং ক্রিয়েতিভ ম্যুজিক ফেষ্টিভেল ঙসিদগী উখ্রুল জিলাগী নিউ কানন ভিলেজদা হৌখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি ইম্ফালনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ফোল্ক ম্যুজিক অমসুং ক্রিয়েতিভ ম্যুজিক্কী লমদা খঙ হৈরবা তোঙান তোঙানবা মীওই কয়া শরুক য়ারি।

**আইএলপি(এল)ঃ** মনিপ্রদা খুন্দারিবা মীয়ামনা মতম লৈরিঙৈদা মীকপ থোকহৌদ্রগদি য়েলহৌমীশিং মমি শামখিগনি হায়না জোইন্ট কমিতি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে.সি.আই.এল.পি.এস) গী হান্নগী কনভেন্নর-খোমদ্রাম রতননা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস যুনিয়ন (এমশু) না শিনদুনা ঙসি কৈশামথোং মোদেল হাস্কুলদা রিয়েলাইজ টু সেফ দা ইন্দিজিনস পিপলস ওফ মনিপুর হায়বা হীরমদা ঙসিদগী হৌদুনা থাবুম অমা চুপা চথুগদবা ৪৬ রক শুবা মীকপ থোকপা থাবুম থৌরম একাডমীক কেম্পেইনদা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা মখা তানা হায়-মনিপুরদা ঙসি ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়ামা অরুবা ফিভমদা লৈরে। হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা লমদম অসিবু কন্ননবগী ৱাখল্লোনদা চেনবা তঙাইফদে।

**এলপিজি(এল)ঃ** মনিপুরদা এল.পি.জি. অমদি অতৈ পেট্রোল্লিয়মগী পোৎথোকশিং নারোলদা য়োনবশিং য়েংশিন্নবগীদমক কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্লে।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ কঞ্জুমরস এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হীরম অসিগা মরী লৈননা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তাননবগীদমক কন্ট্রোল রুম অমা দাইরেক্তোরেটদা হাংদোক্লে। কন্ট্রোল রুম অসিদা ও.এস.দি (পি.ও.এল)-ঐচ. বোবী সিংহ, এ.দি.দি.এম-কে. মোরুং কনসোৱা অমদি ও.এ-থাংজম বিক্রম সিংহ ফমগনি। মখোয়গী টেলিফোন নম্বর-৯৮৫-৬১৭৮-৯০৭, ৮৯৭-৪০৯-১১৭৮ অমদি ৮৪১-৩৯৮-৮৮-৯২ দা মীয়ামগী ৱাকৎশিং থাংগৎপা য়াগনি।

**চৈরাউবা (এল)ঃ** মণিপুরদা হয়েং লাইনিং লাইশোল অমদি মহৌশাগী চৎনবীগা লোয়ননা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা পাঙথোক্কনি। চৈরাউবগী থৌরম অসি য়ুমথোঙ খুদিংদা পাঙথোকবা শেম শান্নরি। নুমিৎ অসিদা য়ুমগী লাইনিংথৌ লৈমারেন্বীদা কুমগী অনৌ-অপেন, মনা মশিং য়াওনা হৈ-লৈ কৎতুনা ইরাৎ থৌনিজগনি।

মহৌশাগুম উত্র শঙলেন সনা কোনুংগী চৈথাবগী থৌরম উত্র শঙলেনদা হয়েং অয়ুক পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডকী মেম্বর সেক্রেটরি-মৈস্নাম শিবদত্তা লুৱাংনা হায়রি-হয়েং থবানদা, থাশি অমসুং নোংম পুন্না পানবদগী মীয়ামদা চমমবা থোক্তুনা চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোক্কদ্রা

পাঙথোক্লোইদ্রা হায়বদুদা য়েৎননিংঙাই করিসু লৈতে। হয়েং অয়ুক্তগী মহৌশাগুম নোংম পানবগী থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকপদা অকায়বা লৈতে হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোংদোরক্লি। অদুনা মীয়ামনা পুকিংদা চিংনবা লৈতনা মহৌশাগুম শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোকপা য়াগনি।

**মেসেজ (এল)ঃ** শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা লাকপদা রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি, অধ্যক্ষ অমসুং লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়-মীতৈ ফুরুপকী চহি হৌবা নুমিৎ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। চৈরাউবনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা অনৌবা আশাগী য়েন্নিং হুনবা ওইরসনু। থৌরম অসি মীতৈ ফুরুপকী ওইনা মখোয়গী নাৎ অমদি ইমুং মনুং নংশি চান্নবগী মরী চেৎশিলহনবগী মমি চাউনা তারি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা অমগা অমগা নুংশি চান্নবা অমদি হান্নগুম তংদু লৈতাবা পুন্সিদা হনজিনবা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী পাউজেলদা হায়-অনৌবা চহিনা লাকপদা মনিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা অনৌবা আশা অমসুং পাঙ্গল হাপ্তুনা চাউখৎপগী লম্বীদা অনৌবা খোঙকাপ থাংবা ঙম্বা ওইরসনু। রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ-কাংলুপ পুম মক মচিন-মনাও ওইবগী নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা মীতৈগী চহি হৌবা নুমিৎ শজিবু নোংমা পানবনা লাকপদা মনিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। নুমিৎ অসি মথেল লুকোই লাংবা, য়ুম-কৈ শেংদোকপা অমদি চীং কাবা খক নত্তনা ঐখোয়গী পুন্সিগী অনৌবা খোঙচৎ অমা হৌবগী তাঙ্ককনি অমদি নুমিৎ

অসিনা লাকপদা ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তম অদু হেন্না চেৎশিলহনবা ওইরসনু।

এম.এল.এ. কোংখাম রোবিন্দ্রোনসু শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী রোবিন্দ্রোনা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা ইং তপ্পা, নুংশিনবা অমদি অপুনবা মণিপুর অমা শাগৎপা ঙম্বা ওইরসনু।

থৌনাওজম বসন্তকুমার-এম.এল.এনসু চৈরাউবগা মরী লৈননা মনিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-অনৌবা চহি লাকপগা লোয়ননা মনিপুরদা হরাউ তয়াম্বা অমসুং চাউখৎপগী অনৌবা পন্দুপ অমা পীবা ঙম্বা ওইরসনু।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) নসু শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**চুরাচান্দপুর(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংলেপতা ঙসি প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অমা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা শঙ্গাখ্রে।

কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. লেতজমাং হাওকিপ অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সেন্টর অসিগী ফিভমসু দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা য়েংশিনখি।

**মীতিং(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-চুরাচান্দপুরনা শিনদুনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংগী মীফম অমা ঙসি হেংলেপ সব-দিভিজনেল হেদক্বাটরদা লৈবা এস.দি.ও. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদু জিলা অসিগী মনুং হুনজিন্না লৈবা মীয়ামদা সরকারনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং অমদি অতৈ মরী লৈনবা বিভাগকী ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সরকারনা

হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। স্কিমশিং অসি মীয়ামদা ফংহনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু খঙহনখি।

**নোনে (এল)ঃ** হ্যুমেন পেপিলোমা ভাইরস (ঐচ.পি.ভি) ভেক্সিনেসন কেম্পেইন ঙসি নোনে জিলাদা হৌদোকখ্রে। নোনে পি.ঐচ.সিদা জিলা থাক্তা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা কেম্পেইন অসি হৌদোকখিবনি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা নোনেগী দি.আই.ও. ডাক্তর জেন্দুম গোলমৈনা হায়-সরভাইকেল কেন্সর হায়বসি ঙন্না খঙহৌরবদি লায়না ঙাকথোকপা য়াবা লায়না মখল অমনি। লায়না মখল অসি মরুওইনা নুপীশিংদা য়ামা নাগনবা অমদি মালেমগী ওইনা কেন্সর মখলশিংদগী খ্বাইদগী নাগনবা কেন্সর মখলনি। লায়না অসিবু ঙাকথোকবগী পাম্বৈদা ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসনসু অমনি।

**চান্দেল(এল)ঃ** আই.সি.এ.আর. ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র-চান্দেলনা শিনদুনা অখন্নবা ফিল্ড ডে থৌরম ঙসি চান্দেল জিলাগী শজিক তম্পাক চকপিকারোং ব্লোক্তা লৈবা এন. গমনোম ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্লান ব্রিদিংগী সবজেক্ট মেটর স্পিসিএলিষ্ট-পি.এস. লিন্দা মোনশাংনা আই.পি.এল. টু টৌইন্তি ভেরাইতিগী মতাংদা টেকি কেলগী ওইবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মহাকা হায়-আই.পি.এল. টি টৌইন্তি হায়রিবা ভেরাইতি অসি খঙহৌদনা নোর্থ ইষ্ট প্লেন জোনশিংদা শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলক্লি। মসি চান্দেলগী ওইনা লৈরিবা লৌউ শিংউগী থবক থৌরমগা য়ামা চান্নবা অমসু ওইরি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ঙসি চন্দ্রখোঙ য়ুথ ক্লবকী মীহুৎশিং, হয়েলগী ৱার্ড মেম্বর, কৈনৌ য়ুথ দিবলপমেন্ট ক্লবকী সেক্রেটরি, থৌবালগী সোসিএল মেদিয়া ইনফ্লোন্সর, তোঙান তোঙানবা ভিলেজ চীফশিং অমদি কম্যুনিতি মেম্বর

কয়াগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা ঙাকশেলগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা চান্দেল জিলাগী সালুক্তা সেক্যুরিতি কোওর্দিনেসনগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা নাগা অমদি কুকি ফুরুপকী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, এক্স-সার্ভিসমেনশিং অমদি ভিলেজ চীফ কয়ানা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মরুওইনা টুরিজম, স্পোর্টস অমদি এদুকেসননা করমা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভমদা অমসুং চাউখৎপগী লমজেলদা পুখৎপা য়াগনি হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

ওপরেসন সদভাবনাগী মনুং চন্না চান্দেল জিলাগী চেলজাং জোপি ভিলেজতা কম্যুনিতি হোল অমা অসাম রাইফলসনা শঙ্গাখ্রে। কম্যুনিতি হোল অসি হেদক্বাটরস আই.জি.এ.আর. (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা শাবনি।

**পেত্রোল্লিয়মঃ** নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী চৈরক্তা লৈবাক অসিগা রাজ্যশিংদা কম্মরসিএল এল.পি.জি. হান্না পীরম্বা চাংদগী চাদা ১০ হেনগৎনা পীরগনি।

রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা ইবা চিঠি অমদা পেত্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি-নিরজ মিতলনা হায়-এল.পি.জিগী মহুৎতা পি.এম.জি. হেন্না শিজিন্নখিবনা মরম ওইদুনা এল.পি.জি. শিজিন্নবগী চাং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থরকপদগী এল.পি.জি. দরকার লৈবা মফমশিংদা কর্ম্মরসিএল এল.পি.জিগী চাং হান্না পীরম্বা চাদা ২০ দগী চাদা ১০ হেনগৎলগা চাদা ৩০ পীননবা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

**রাজ্য সভাঃ** রাজ্য ২০ গী রাজ্য সভা এম.পি. ৫৯ ঙসি মখোয়গী মতম লোয়রে। মতম লোয়রবা এম.পিশিং অদুগী মনুংদা নুপী ৯ য়াওরি। মখোয়গী

থবক পায়বগী মতম লোয়বগী ফিয়ারৱেল পীবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-মেন্থৱরশিং অসিনা লৌরন্বা থৌদাংশিংবু মতম পুন্বদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

মহাকা হায়-মখোয়না রাজনিতিগী লমদা অমদি লৈবাক অসিবু য়াইফনবা লৌরন্বা থৌদাং শিংথানিংঙাইনি।

**কাশ্মিরঃ** জম্মু কাশ্মিরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং-রাজৌরি, দোদা অমসুং পুঞ্চ জিলাশিংদা টেরোরিষ্টশিং চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফমশিং অদুদা পাক শন্না থিবা হুন্থবগী থবক চথুরি।

রাজৌরি জিলাগী খানবী অমসুং অকোইবা মফমশিংদা হৌজিক কোম্বিং ওপরেসন চথুরি। কোম্বিং ওপরেসন চথুবা অদুদা চিংনবা মীওই খরা চৎথোক চৎশিন তৌবা উখি। অদুমওইনমক, হৌজিমক্কী ওইনা মীওই অমত্তা ফাগৎপগী পাউদি লৈত্রি। দোদা জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদসু পাক শন্না কোম্বিং ওপরেসন চথুরি।

রাজ্যগী পুলিস অমসুং লান্মীগী অপুনবা কাংবুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মখা তানা থিবা হুন্থবগী থবক চথুরি।

**চেসঃ** মনিপুর চেস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কংলৈ চেস একাডমীনা শিনদুনা ঙসিদগী হৌদুনা অহানবা রাজকুমার সনাজাউবা মেমোরিএল অন্দর টৌইন্তি চেস টুর্নামেন্ট ২০২৬ হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২২ ফাওবা চথুগনি।

**থাং-তাঃ** নৈনশঙ-শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইনা শিনদুনা থাং-তা চাংদমবা-২০২৬ ওপন মেন এন্দ ৱিমেন রিয়েল ত্রেদিসনেল ৱারিয়ার স্তাইল

অহানবা ওইনা পাঙথোক্লগনি।

চাংদমবা অসি থা অসিগী ২৮ অমদি ২৯ দা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট নৈনশঙ দোট ও.আর.জি. দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

**রগবিঃ** ইন্দিয়ান রগবি ফুটবোল য়ুনিয়নগী লমজিং মখাদা বিহার স্পোর্টস ওথোরিতি অমসুং রগবি ফুটবোল এসোসিয়েসন ওফ বিহারনা শিনদুনা সেনিয়ার নেসনেল রগবি সভেন চেম্পিয়নসিপ-২০২৬ লাক্লিবা এপ্রিলগী ১৬ তগী পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা খুম্মন লম্পাক রগবি ফিল্ডতা থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েল কম সেলেক্সন অসিদা লাকনবা খঙহল্লি।

**হোকিঃ** হোকি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাকো স্কুলনা শিনদুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল য়ুনাকো কপ হোকি টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মৈরানা কে.ঐচ.এস.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টি.ডব্লিয়ু.সিনা সেয়োবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ফিকচর থোক্লে। থা অসিগী ২৩ দগী শান্নগদবা ত্রোফি অসিগী অহানবা মেটচতা-চেম্প অমদি কে.সি.সি. অমসুং মোদেল অমদি ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. (এল) শান্নগনি হায়রি।